# কংলৈ মেগা স্পোর্টস ফেষ্টিভেল হৌখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ২২ ঃ

কংলৈপাক ষ্টুদেন্ট এসোসিএশন (কে এস এ) না শিন্দুনা ঙসিদগী মঙাশুবা কংলৈ মেগা স্পোর্টস ফেষ্টিভেল ২০১৬ ইম্ফালগী মপান কাংজেবুংদা ৱার্ক্স মিনিষ্টর ডা. কে ঐচ রতনকুমারনা চীফ গেষ্ট ওইদুনা হৌদোকখ্রে।

থা অসিগী ২৭ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা কংলৈ মেগা স্পোর্টস ফেষ্টিভেল হৌদোকপগী থৌরমদুদা কংলৈপাক ষ্টুদেন্ট এসোসিএশনগী প্রসিদেন্ট এম লক্ষমন, অহানবা এম আরগী দিপুটি কম্মান্দেন্ট এম কুমারজিৎ, কাদাগী হান্না চীফ ইঞ্জিনিয়র ওইরম্বা কে মনোরঞ্জননা প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা থাঙ্গ কেন্দ্রগী এম এল এ টি মঙ্গিবাবুনা স্পিসিয়েল গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি।

কংলৈ মেগা স্পোর্টস ফেষ্টিভেল অসি ঙসি মৈরা চুখৎতুনা হৌদোকখিবগা লোয়ননা অমজু অমসুং কে এস এগী টিমনা ওপনিং মেচ শান্নখি। মেচ অদুদা কে এস এ অমসুং অমজু গোল ২-২ দা দ্রো ওইখি। ফেষ্টিভেল অসিগী মনুং চন্না থাঙ-তা অমদি ফুটবোলনচিংবা মশান্নশিং পাঙথোক্কদৌরি।

# অমজুগী স্পোর্টস মীট হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২২ ঃ ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজু) গী চহী খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোরকপা ৬ শুবা এন্যুএল জর্নেলিষ্ট স্পোর্টস মীট ২০১৬ ঙসি অয়ূক মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর টি ঐচ লোকেশ্বরনা মৈরা চুখৎতুনা হৌদোকখ্রে।

থা অসিগী ২৬ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা স্পোর্টস মীট অসিদা এথলেটিক, বেদমিন্টন, টেবল টেনিস, চেছ, ফুটবোল, বোল্লিবোল অমসুং ক্রিকেটনচিংবশিং পাঙথোক্কনি।

লমদমসিগী তোঙান তোঙানবা মেদিয়া হাওসতা থবক তৌরিবা পাউমীশিংনা কংলাদগী মৈ লৌদুনা মেজোর খুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লব পুরক্তুনা মৈরা অদু চুখৎখি। স্পোর্টস মীট অসিগী মশান্নশিং হয়েংদগী চথুবা হৌরগনি।

হয়েং খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা এথলেটিক অমদি বোল্লিবোল মশান্না পাঙথোক্কনি। থা অসিগী ২৪ দনা খুমন লম্পাক্তা লৈবা নেসনেল স্পোর্টস একাদেমিগী জুদো হোলদা টেবল টেনিস অমসুং বেদমিন্টন মশান্না পাঙথোক্কনি।

# এ এফ সিনা মণিপুরদা ইহান হান্না য়াওশঙ জুম্বা পাঙথোক্লগনি



ইম্ফাল, মার্চ ২২ ঃ লমদমসিগী মমিং লৈরবা ফিটনেস সেন্তর অমা ওইরিবা নাগামপালদা লৈবা অপূনবা ফিটনেস সেন্টর (এ এফ সি) না মণিপুরদা ইহান হানবা ওইনা জুম্বাগী রোদ শো য়াওশঙ কুম্মৈ মনুংদা ইম্ফালগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্তুনা মীয়ামদা জুম্বাগী কান্নবশিং শন্দোক্কদৌরি।

য়াওশঙ জুম্বা ফেষ্ট হায়না মিংথোন্দুনা এ এফ সিনা য়াওশঙ কুম্মৈ মনুং থা অসিগী ২৬ কী অয়ূক পুং ১১ দগী হৌদুনা ইম্ফালগী তোঙান তোঙানবা মফম ৯ দা জুম্বাগী শো উৎকদৌরি।

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্টকী তোঙান তোঙানবা মফম ৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা য়াওশঙ জুম্বা ফেষ্ট অসিদা লমদমসিগী মীয়াম অমদি লোকেল ক্লব অমসুং ওর্গেনাইজেশনশিংনা মতেং পাঙবীদুনা থৌরম অসিবু মপূং ফাহনবীয়ু হায়না অপূনবা ফিটনেস সেন্তরগী হ্যুমেন রিছোর্স লক্সমি কোইজম্মা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি। য়াওশঙ জুম্বা ফেষ্ট পাঙথোক্কদৌরিবা মফমশিং অদুদি কৈশাম্পাৎ, য়াইস্কুল, খুরাই লমলোং, কোনুং মমাঙ, সগোলবন্দ, তেরা সোইবম লৈকায়, থাংমৈবন্দ, নোংমৈবুং অমসুং শিংজমৈনি।

# লোক্তাক ত্রোফি পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মার্চ ২২ ঃ

এন ঐচ পি সি মণিপুরগী স্পোন্সর মখাদা ওল মোইরাং ফুটবোল এসোসিএশন (অমোফা) মোইরাংনা শিন্দুনা ৯ শুবা লোক্তাক ত্রোফি ২০১৬ মোইরাং মল্টি পর্পজ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্লে গ্রাউন্দদা থা অসিগী ৩০ দগী টিম তরুক্না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লগনি।

লোক্তাক ত্রোফিদা শরুক য়াগদৌরিবা লমদমসিগী মমিং লৈরবা টিম ৬ অদুদি এস এস য়ু শিংজমৈ, নিশা থাংমৈবন্দ, ক্রুগপু নম্বোল, য়ঙ ফিজিক য়ুনিয়ন ললাম্বুং, এইম খাবম অমসুং অমোফা মোইরাংনি।

লোক্তাক ত্রোফি অসিগী অহৌবা মেচ থা অসিগী ৩০ গী নুংথিল পুং ১.৩০ তাবা মতমদা মমিং লৈরবা টিম অনী এস এস য়ু শিংজমৈ অমসুং নিশা থাংমৈবন্দগা শান্নরগনি।

# টিদ্দিম ত্রোফি

ইম্ফাল, মার্চ ২২ ঃ টিদ্দিম ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেলদা টি এফ সি উৎলৌনা য়াদা কাংশোইবী মপান গোল ২-০ দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা ৱিন্নর ওইখ্রবা টি এফ সিনা ত্রোফি অমসুং লুপা লিশিং ৩০ গী শেলগী মনা ফংখি। রন্নর্স-অপ তাখ্রবা য়াদা কাংশোইবী মপান্না লুপা লিশিং ১৭ কী শেলগী মনা ফংখি। টুর্নামেন্ট অসিদা এম এস এস পাৎশোইনা বেষ্ট দিসিপ্লিন টিম তাখি। আই এম ৱাই এ সিগী গোলমৈনা বেষ্ট প্লেয়র, য়াদাগী মিলন্না বেষ্ট স্কোরর, ৱাই ও সিগী গোবিন্দনা বেষ্ট গোলকিপর অদুগা টি এস সিগী সুরেসনা মেন ওফ দ মেচ তাখি।




HL-B/3006/11,17,23,31,6

# মমাঙঙৈদা ওলেম্পিক চেম্পিয়নবু ঈকাইখুম্নবা







মমাঙঙৈগী ওলেম্পিক গেমসতা মায় পাকপশিংদা চোরফোন মনাগী লুহুপ অমাখক্তমক মনা ওইনা পীরম্মী। শান্নরোয়শিংনা মায় পাক্লবা মতুংদা মহাক মহাক্কী সহরদা অমদি খুঙ্গংদা থুংলরবা মতমদা লৈবাক মীয়াম্না মহাকপু হরাও তয়াম্না ওক্লম্মী, সহর খরদদি মহাকপু ঈকাইখুম্নবা ওইনা সহর অদুবু খাজিল্লিবা চেকপল অদু থুগাইরগা মহাকপু চঙহল্লি, সহরগী অচৌবা থোঙজাও অদুদা চঙহন্দে। অখন্নবা নুমিৎ অমদা মহাক্না ওলেম্পিয়াদগী ফংলকপা চোরফোন মনাগী লুহুপ অদু পুরগা সহরগী লাইশং তান্না মীয়ামগী খোঙচৎ অমা চৎতুনা মহাক্না পুরকপা মনা (লুহুপ) অদু লাইদা কৎলি।

এথেন্সকী নিপা অমা চেরিয়োট লমজেল (দোলাইশগোলন্নচিংবা পুবা) দা মকোক ওইরবদি চোরফোনদগী শুংবা থাউ হাপ্পা অচৌবা খরুং ১০০ মনা ওইনা ফংলম্মী। অসুম্না শান্নরোয়শিং অদুনা লৈরিবা লৈবাক অমদি সহর অদুগী মতুং ইন্না খেন্না খেন্নবা মনা পীবগী চৎনবী লৈরম্মী। আরগোস হায়বা লৈবাক অদুদদি ওলেম্পিক চেম্পিয়ন অমদা সনা অমসুং লুপানা হকপা শেঙ্গেংগী অচৌবা চুঙ্গোই অমা খুদোল তৌরম্মী।

লোক্রি কৌবা লৈবাক্কী য়ুথায়মসনা খৃষ্ট মমাঙ ৪৮৪ গী ওলেম্পিক্তা বোক্সিং চেম্পিয়ন ওইবগীদমক্তা মহাক্কী শক্তম শারগা সহর অদুদা চহী ৬০০ হেন্না মহাকপু ইরাৎলম্মী। রেষ্টলিং চেম্পিয়ন মেনোদোরসকী শক্তম শাদুনা দেলোস ইথৎতা থনম্মী। সিসাওন কৌবা গ্রিসলৈবাক্কী শেল ময়েক্তা সোষ্ট্রেটসকী শক্তম হকলম্মী, মরমদি মহাক্না ওলেম্পিক্কী রেষ্টলিংদা ওলেম্পিক অহুম্লক্তা মায়পাক্তুনা মরৈবাক্কী মীংচৎ পুরকখি। অরমেনিয়াগী নিংথৌমচা ভারাসদাতেস বোক্সিং চেম্পিয়ন ওইখি। মহাক লৈবাক অদুগী নিংথৌ হাপখি। স্পার্টান অমনা ওলেম্পিক চেম্পিয়ন ওইরবদি লানফমদা নিংথৌগী মনাক্তা ফিরাল পায়দুনা চৎহনবগী ঈকাইখুম্নবা অদু পী। -এল অজিৎ

HL-B/2960/11,13,15,17,19,21,23,25....




HL-B/3004/20,23




HL-B/2975/24/2-23/3




HL-P/7924/18,19,21,22,23,29,31,2,4,6,8,12,14,16




HL-B/2987/1-30March




HL-B/3027/23

Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com